ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses
HUEIYEN LANPAO

পুথিবা ৱেলফ্যের এন্দ কলচরেল সোসাইটিনা ত্রিপুরাগী অগরটলাদা লৈবা ক্বাবোন, উনুং অমসুং বজে'লা খুঙ্গংদা লৈবা মৈতৈশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখিবা

লামায় ২

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জাদুমনিনা মেদিকেল ষ্টাফশিংগা লোয়ননা লমদিং হায়স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, গ্লোব য়াওনা পোৎলম কয়া তেংবাংখিবা

লামায় ২

এস সী ঈ আর টি মণিপুরগী টেক্সবুক য়ুনিটনা শিন্দুনা লস্ফেলপাৎতা লৈবা এস সী ঈ আর টিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল করিকুলম এন্দ সেলেবস কম্মিতিগী মীফম

লামায় ৬

অনাল নাগা বেপটিষ্ট এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা চর্চশিংগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ থেংনবদা মতেং ওইননবা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ্তা শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নখিবা

লামায় ২

Vol. 44, Issue No.061 | য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, May 27, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পল্লিসরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক্তা ফোঙবা পাউচেশিংগী পল্লিসরশিংগী অখন্নবা মীফম্না পাউচেশিংবু পি দি এফ ফাইল ওইনা মীয়ামদা ফংহনবগী মতম অসি নুমিৎয়েংবা পুং ১২গী মতুংদা ফংহনবা হায়না ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা ৱারেপ অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌখিবা অসিগীদমক মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পল্লিসরশিংবু তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা পাউচেশিং অসি মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্না ওইরসনু হায়না মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস): অহিং - নুংথিল, নোংজু - নুংশা খাইদনা মীয়ামদা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌবিরম্বা মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী মতম শাংদা মেম্বর ওইবীদুনা এসোসিএসন অসিবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীরম্বা খুরাই থাংজম লৈকায়দগী অসেম তোম্বনা লৈখিদবদা মণিপুর হোকর এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচানা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি ফমখিবা এসোসিএসন অসিগী মীফম অমনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবা অসেম তোম্বগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা শেলগী তেংবাংসু পীখি।

অসেম তোম্বা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫দা লাইবক থিবা এক্সিদেন্ট অমদা শোক্তুনা লায়কন্দুনা লাক্লবা মতুং হৌখিবা মে ২৫দা লৈখিদবনি হায়রি।

কোরোনাভাইরস : পুং ৪৮গী মনুংদা কেস ৭ হেনগৎলক্তুনা ৩৯ শুখ্রে

ফ্লাইটতা হল্লকপশিংগী ট্রাঞ্জিট ক্বারন্টিন সেন্টর ঐচ আর দি একাদেমিদা ওইরগনি

মুম্বাই, হায়দরবাদ অমসুং গোৱাদগী ট্রেনদা হল্লকখিবা মীওই ২৫০০ রোম থুংলরে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মপান্দগী হল্লকপা মীওই ৩০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা হৌখিবা পুং ৪৮দা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস ৭ হেনগৎতুনা মণিপুরগী অপুনবা কেস মশিং ৩৯ শুখ্রে।

অনৌবা কেস ৭ অসিগী মনুংদা কেস ২না মে ২৪গী নুমিদাং অথেংবদা খঙবা ঙমখিবনি। অদুগা অতোপ্পা কেস ৫ অমনা ঙরাং থেংনখিবনি।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপার্সন ডা. খোইরোম সশিকুমার মঙাংনা থাদোরকপা তোঙান-তোঙানবা চেরোলশিংনা হায়, হৌখিবা মে ২৪গী নুমিদাং অথেংবদা জেনিমস অমসুং রিমসকী ভি আর দি এলশিংদা টেষ্ট তৌবদা মীওই ২গী সেম্পল পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মীওই অনি অদুদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ২৬ শুরবা নুপা অমগা নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী চহী ২১শুরবা নুপামচা অমনি।

অতোপ্পা মীওই মঙা অমনা ঙরাং রিমস অমসুং জেনিমসকী ভি আর দি এলশিংদা মখোয়গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মীওই মঙা অদুদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ১৯ শুরবা নুপামচা অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ৩নি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী অপুনবা কেস ৩৯ অসিগী মনুংদা ৩৫না এক্টিভ কেস ওইরি। অদুগা লায়না অসি নারস্বদগী ফগৎখ্রবা কেসনা ৪নি।

মে ২৬কী ওইনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবদা রিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পল ৩২১ অমসুং জে নিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পল ৩৮০ পুন্না সেম্পল ৭০১ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল খুদিংমক নেগেটিভ ওইখি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

রেজিষ্টর তৌদবা রিটেলর, লল্লোল ইতিক মচা-মচা তৌরিবশিংসু ইম্মর্জেন্সি ক্রেদিটকী খুদোংচাবা ফংলগনি

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী): মে ১২দা লৈঙাক্লা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম এস এম ই)শিংগীদমক লাউথোকখিবা লুপা ক্রোর লাখ ৩গী ইম্মর্জেন্সী ক্রেদিট বোরোৱিং স্কিমনা রিটেলর অমদি অতৈ লল্লোল ইতিক মচা-মচা তৌরিবশিংসু কোনশিল্লগনি।

নুমিৎ ৬২ লোকদাউন থল্লকপনা মরম ওইরগা লল্লোল ইতিক্কী থবক থৌওংশিং মাং তাকহল্লকপা মরম্না রিটেলর অমদি লল্লোল ইতিক মচা-মচা তৌরিবশিংসু স্কিম অসিনা কোনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

ইর্ম্মর্জেন্সী ক্রেদিট লাইন ফেসিলিটিগী মখাদা নেসনল ক্রেদিট গরান্তি ট্রষ্টি কম্পেনি (এন সী জি টি সী)না ইলিজিবল ওইরবা এম এস এম ইশিংদা লুপা ক্রোর লাখ ৩ ফাওবা চাদা ১০০ গরান্তি পীগদৌরি। এন সী জি টি সীনা ঙসি নৌনা থোকখিবা গাইদলাইনগী মতুং ইন্না প্রোপ্রাইটরসিপ, পার্টনর্সিপ, রেজিষ্টর কম্পেনি, ট্রষ্ট অমদি লিমিটেদ লাইএবিলিটি পার্টনর্সিপ (এল এল পি)শিংসু প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনা (পি এম এম ৱাই)গী মখাদা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

লৈবাক্কী হৌজক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা কনফিদরেসন ওফ ওল ইন্দিয়া ট্রেদর্স (সী এ আই টি)কী জেনরেল সেক্রেটরী প্রভিন খন্দেলৱালনা ইন্দিয়া টুদে টি ভিদা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা রিটেল বিজিনেসমেন অমদি ট্রেদরশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। হৌখিবা নুমিৎ ৬০গী মনুংদা লুপা ক্রোর লাখ ৯ লোম মাংহল্লে। মসিগী মথক্তা জি এস টিগী লুপা ক্রোর লাখ ১.৫ রোমসু মাংলে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্ত্রিঙৈদা রিটেলরশিংগী নোংমগী টর্ন ওভর

...মখা লামায় ৩ কলম ২

কৌজেং মখল অমনা লৌফম কয়াদা মহৈ মরোং কয়ামরুম মাং তাকহল্লক্কদৌরে : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা চহী ২৭কী মতুংদা খ্বাইদগী তমথিবা মওংদা কৌজেং মখল অমনা লৌফম কয়াদা মহৈ-মরোংশিং মাং তাকহল্লকদৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

শঙ্গু-শঙ্গু ওইনা নোংমদা কিলোমিটর ১৫০ থাপ্পা পায়বা ঙম্বা কৌজেংশিংনা মহৈ-মরোং পুম্নমক মাং তাকহনখিবা থোক্লবদি ওল্লকপা চহীদা চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি।

শমু ১০, উট ২৫ নত্রগা মীওই ২৫০০না চাগদবা চিঙ্গাকশিং কৌজেং শঙ্গু অমনা নোংমখক্তদা ইরাই লাইনা চাথোকখিবা ঙম্মী। য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী দেটা মতুং ইন্না কুমজা ১৯২৬তগী কুমজা ১৯৩১ ফাওবদা কৌজেংনা লুপা ক্রোর ১০ রোমগী মহৈ-মরোং মাং তাকহনখি।

কুমজা ১৯৪০দগী কুমজা ১৯৫৫ ফাওবদনা নোংমনা লুপা ক্রোর ২ রোমগী মহৈ-মরোং মাং তাকহনখি হায়রি। মতম অমদা রাজস্থান খক্তদা কৌজেংনা মহৈ মরোং মাং তাকহল্লম্বা তারবসু হৌজিক্তি গুজরাট, মধ্য প্রদেশ, উট্টর

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

'কোভিদ-১৯গী পেসেন্টনা নুমীৎ ১১ নিগী মতুংদা লায়না শন্দোক্তে'

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অমা নুমীৎ ১১নিগী মতুংদা লায়না-লাইচৎ অসি অতোপ্পা মীওইদা শন্দোক্তে হায়না ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদগী খঙবা ঙল্লে হায়রি।

সিঙ্গাপোরদা নেসনল সেন্টর ফোর ইনফেক্সিয়স দিজিজেজ অমদি ইনফেক্সিয়স দিজিজ ফিজিসিয়ন্স একাদেমী ওফ মেদিসিননা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, অনাবা মীওই অমনা নুমীৎ ১১ নিগী মতুংদা অতোপ্পা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরকই।

কোভিদ-১৯না নারবা মীওই ৭৩দা কুপ্না চাংয়েং তৌরবা মতুংদা রিছাসরশিংনা ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি। লায়ওং উথোরক্লবা মীওইশিং লায়েংবা হৌবা নুমিৎতগী পারগা ১১নি শুবা নুমিৎতা অতোপ্পা মীওইশিংদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং তপ্না-তপ্না হন্থরকই হায়বসু রিছার্সরশিংনা খঙবসু ঙমখি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস ১,৫০,৯৮১ য়ৌরে। শিখিবা মীশিং ৪,৩৬৮ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৬০,৪৯০ নি। মালেমগী ওইনা অপূনবা কেস মশিং ৫৬,৩৭,৯৫৮ য়ৌরে। শিখিবা মীশিং ৩,৪৯,৫০৭ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপনা ২৪,০৫,০৭২ নি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

সনাতোম্বা হৈরাংখোঙজম, কাংশোয়বি মপাল

হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা মীয়ামগী থম্মোয়দা মীপাইবা অমদি চিংনবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অমরোমদনা মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকখিবনা মীওই কয়া থবক শুফম নোমফম লৈতবদগী শেল তানবগী লম্বী লৈত্রে। লৈত-লায়রবা ইমুং কয়াদদি হান্না চান-থক্লবা পোৎলম খরা লৈজরম্বা অদুসু লোইশিল্লকপা অমদি শেলসু লৈনরক্তবনা মমল ৱাংনা ফংলিবা পোৎচৈ লৈদুনা চাবা ঙম্লদ্রে। মসিগী মথক্তা অনা-অয়েক্কীদমক পুশিল্লুবা শেনফমগী ইন্টরেষ্ট মফম খরদা লৌনদ্রবসু, মফম খরদদি পীদবা য়াদে হায়না ইন্টরেষ্ট লৌবগী থৌওং চৎথরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়েংশিনবিয়ু। লোয়ননা শেল পুথোক্লিবা মীওইশিংনসু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থবক শুনিংঙাই লৈত্রবা অমদি চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবনা ৱানরবা মতম অসিদদি ইন্টরেষ্ট লৌবিগনু হায়জরি। মদুনা মীওইবগী অৱাবদা মতেং পাংবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা লৈঙাক্লা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংচন্না তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈবাক মীয়াম্নসু অঙম-অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনমিন্নসি।

মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়

লৈবাক্কী মরুওইবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী ঈ-পাউ পুম্নমক মীয়ামদা ফংহল্লিবা পাউচেশিং কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অচৌবা চৈথেং অমা ফংদুনা পাউচেশিংগী লামায় মশিং হন্থরকপা অসি লৈবাক মীয়াম্না খঙবিফম থোকই। য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদ্রবা মতম অসিদা ফাওবা অকি-অখং লৈতনা মীয়ামদা ঈ-পাউ ফংনবা হোৎনরিবা অসি পুম্নমক্না পুক্নিং থৌগৎফম থোকই। লোয়ননা হন্দক পাউচে পুথোক্লিবা পল্লিসরশিং অমদি মীয়ামদা পাউচে ফংহল্লিবা হোকরশিংনা লেপখিবা ৱারেপশিং থাগৎনিংঙাইনি। লমদমসিগী পাউচে পুথোক্লিবশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অদু খঙবিদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙমদ্রি ফাওবদি পাউচেশিংগী লামায় মশিং য়াম্লি-য়ামদে মনতিক্নরোইশি। পাউচে নম্বদা চংলিবা মচাকশিং অয়াম্বনা মপান লমদগী পুশিল্লক্তুনা শীজিন্নবা ঙাক্তনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা পাউচে ফোঙবদা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা পোৎলমশিংসু পুশিল্লকপা য়াদনা লৈরিবনি। অদুবু অৱাবা কয়া নাথৈরম্লগা চিরবা তানফম অসিদা মীয়ামগীদমক পাউচে পুথোকপা লেপ্পা য়াদে হায়না পাউচে পুথোক্লিবা মখোয়গী থৌনা মীপুম খুদিংনা থাগৎফম থোকই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

HL Poll

Q: Lockdown gi kanglon amasung mapandagi meeoising pusillakpagi thouongda asoiba yaore haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Mapandagi hallakkhraba meeoi kayagi sample loukhrabasu test touba thengthabana meepaiba hengathangani khanbra?

Yes	95%	No	05%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৭১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.০০ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৪৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

কোরোনাগী চৈথেংনা মমিং লৈরবা ন্যু জিলেন্দগী মেদিয়া হাউস অমা শুপ্নগী লুপা ৭৫দা য়োন্থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৬(এজেন্সী) : কোরোনাভাইরসকী চৈথেংনা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা মেদিয়া হাউসশিংদা থাগী তোলোপ ককথবা অমদি থবক্তগী লৌথোকপগী পাউ কয়া লাক্লিঙৈ চৈরক অসিদা কোরোনাগী চৈথেংনা ন্যু জিলেন্দগী মেদিয়া হাউস অমা শুপ্নগী লুপা ৭৫.৪৭ (দোল্লর ১) দা য়োন্থোকখ্রে হায়রি।

শুপ্নগী লুপা ৭৫.৪৭দা য়োন্থোকখ্রবা মেদিয়া হাউস অসি মালেমগী মেদিয়া হাউসশিংগী মরক্তা মমিং লৈরবা ন্যু জিলেন্দগী ষ্টফ মেদিয়া হাউসনি। পাউচে কয়া অমসুং দিজিটেল ৱেবসাইট কয়া চলাইদুনা লাকখিবা মেদিয়া হাউস অসিদা পাউমী ৪০০ রোম থারগা পুন্না মীওই ৯০০ রোম থবক তৌরিবনি।

মেদিয়া হাউস অসি পুন্না ইন টরটেনমেন্ট ৯না পুনশিন্দুনা থবক তৌরম্বনি। অদুবু হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী মেদিয়া হাউস অসিগী ফীভম শোকচিন্দুনা লাকখিবনি। কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মেদিয়া হাউস অসিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবনা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্বা ইন্টরটেনমেন্ট ৯না মেদিয়া হাউস অসি থাদোক্লবা ৱারেপ লৌরদুনা মেদিয়া হাউস অসিমক্কী সী ই ও হয়ুগ মার্ক্তা শুপ্নগী দোলর ১দা য়োন্থোকখিবনি হায়রি।

আই এ এস ৮, আই পি এস ৬ অমদি এম পি এস ওফিসর ৪গী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনেল দিভিজন)না আই এ এস ৮, আই পি এস ৬ অমদি এম পি এস ওফিসর ৪গী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না আই এ এস ট্রান্সফর তৌখিবনি। ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট, টেক্সটাইল, কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী অমসুং এস এ টিগী দি জি ওইরম্বা ডা. সুহেল অখতরনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং এস এ টিগী দি জি ওইনা; ফাইনান্স, আই টি, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, টুরিজমগী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং ও এস দি টু সী এম ওইরম্বা ডা. রাজেস কুমারনা ফাইনান্স, প্লানিং, আই টিগী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী অমসুং ও এস দি টু সী এম ওইনা; পি ঐচ ঈ দিগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইরম্বা নিধি কেসরৱানিনা পি ঐচ ঈ দি, এগ্রিকলচর অমসুং মাহুদকী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা; সেন্ত্রেল দিপুটেসনদগী হল্লক্লবা দেবেস দেবালনা টুরিজম, টেক্সটাইল অমসুং কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা; পাৱর অমসুং এগ্রিকলচরগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরী ওইরম্বা কে ঐচ রঘুমনিনা পাৱরগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা; আর্ট এন্দ কলচর অমসুং আই পি আরগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইরম্বগী মথক্তা এম ঐচ আর সীগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরম্বা এম জয়না আর্ট এন্দ কলচর, আই পি আর অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী কম্মিমস্নার কম সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা এম ঐচ আর সীগী সেক্রেটরী ওইনা; সী এ এফ এন্দ পি দি অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইরম্বগী মথক্তা সেক্রেটরি টু গভর্ণরগী থৌ পুরম্বা বোবি ৱাইখোমনা সী এ এফ এন্দ পি দি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অস! লোইরেহে!

- লৈবাক্কীদমক অফবা থবক তৌবা মীবু সোসল ৱার্কর কৌই !
- ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤꯗꯃꯛ ꯑꯐꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯥ ꯃꯤꯕꯨ ꯁꯣꯁꯦꯜ ꯋꯥꯔꯀꯔ ꯀꯧꯏ !



- লৈবাক্কী ফৎতনবা তৌদবা মীসু সোসল ৱার্কর কৌই !
- ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯐꯠꯇꯅꯕꯥ ꯇꯧꯗꯕꯥ ꯃꯤꯁꯨ ꯁꯣꯁꯦꯜ ꯋꯥꯔꯀꯔ ꯀꯧꯏ!

ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী মতাংদা হায়কোর্টনা এম ঐচ আর সীদা থিজিল্লগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা হাংদোক্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) অমসুং নেসনল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল (এন সী দি সী)না প্রিস্ক্রাইভ তৌবা অমসুং তঙাইফদনা ঙাক্তুনা চৎকদবা ষ্টেন্দর্দশিং অদু ৱাৎলে হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী ওর্দরদা হায়কোর্টনা ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরগা সেন্টরশিং অসিগী ষ্টেটসকী মতাংদা রিপোর্ট অমা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর অসি ঙসি জষ্টিস লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পিখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎতুনা ঙসি খন্নখিবা পি আই এল অদুগী নম্বরনা ১৬ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তদুবি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং-চনবা খোংদৈ খুমন ভিলেজদগী জে হিলসন অঙম (৩২), অপোকপা টি ঐচ জোননা পীটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা সেক্রেটরী, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) অমসুং দিরেক্টর (হেল্থ সর্ভিসেস), মণিপুরনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা চীফ সেক্রেটরীনা থাসিগী ৯দা থোকখিবা চেরোল (প্রেস রিলিজ), অমদা মণিপুরদা হল্লক্নবগীদমক লৈঙাক্কী ওথোরাইজ ৱেবসাইটতা ষ্টেট অসিগী মীওই ৪৬,০৮১ রেজিষ্টর তৌরে হায়দুনা ফোংদোকখি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং হাংদোকপদা দব্লিয়ু ঐচ ও অমসুং এন সী দি সীগী গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎননবা পীটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীবিয়ু। মীওই লিশিং কয়া অসি ষ্টেটসিদা পুশিল্লকপদা মরু ওইরিবসি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং মরাং কাইনা হাংদোকপা অমসুং মণিপুরবু কোভিদ-১৯ ফ্রি-এনভাইরনমেন্ট ষ্টেট অমা ওইহন্নবগীদমক গাইদলাইনশিংগী মতুং-ইন্না চপ-চাবা থবকশিং লৌখৎতুনা চৎনহনবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ষ্টেটসিদা হল্লকপশিংগীদমক লৈঙাক্লা থৌরাং ফজনা তৌদ্রে। মায়কৈ কয়াদগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী মশিং ৱাৎপগী অমসুং পীফম থোকপা ফেসিলিটিশিং পীদবগী মতাংদা ৱাকৎ কয়া ফোংনরক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌনরকপা থেংনরক্লে হায়নসু ৱাকৎখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী গাইদলাইনশিং হৌখিবা মার্চ ১৯দা ইশু তৌখিবনি হায়রদুনা পীটিস্নরনা মহৈরোয়শিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা থাসিগী ৫দা মাওগী জৱাহর নবোদয়া বিদ্যলয়া (জে এন ভি)দা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা চৎতুনা য়েংলুবদা অহোবা কয়া থেংনরকখি হায়রি। মসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯕꯥ/ পুঙ য়ৈবা সৌবাম গৌরধন লৈখিদ্রে



মশাগী চহী ১০০ হেন্না হিংলম্বা সৌবাম গৌরধন সিংহ (১/২/১৯২০-২৫/৫/২০২০) অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন্দা লৈরম্বনা ২৫/৫/২০২০ ইং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবা অয়ুক্তা লৈখিদ্রে। নট সঙ্কির্ত্তনগী শক্লাইরবা পুঙ য়ৈবা অমদি ওজা-গুরু ওইরম্বতা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ (২০০১-০২), মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী বাদ্য ভুষন (২০০৬) অমদি ক্ষেত্রি নৱাং শেলগী মনা (২০১৯), গুরু গুলাপি নট সঙ্কির্ত্তন একাদেমিগী গুরু কির্তন সেবা (২০০৩), শ্রীশ্রী গোবিন্দজী নট সঙ্কির্ত্তন একাদেমিগী হরিনাম মন্ত্র পত্র অমসুং অপূনবা মণিপুর মৈতৈলোন ঈশৈ সেবাগী শকখঙচে (১৯৮৩) পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফালগসু মরী লৈনরম্মী।

মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা সৌবাম শাগৈ থৌগল লূপ্পা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখি।

খঙহঞ্জরিবা :- লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং অমদি সৌবাম শাগৈ থৌগল লূপ, অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন

HL-C/168/27

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫